ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯰꯵, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯰꯱꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, এপ্রিল ০৫, ২০২২, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ০১২শুবা মশীং

# মিনিষ্ট্রি এক্সপান্সন তৌদবা মনুংদা করি লৈবগে

মণিপুরগী ১১শুবা লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মতম মার্চ ১৯, ২০২২দা লোইবদগী শরক শিহন্দনবা অনৌবা ১২শুবা ষ্টেট এসেমব্লিগী মীখল তাঙ্কক অনী থোক্না ফেব্রুৱারী ২৮ অমসুং মার্চ ৫, ২০২২দা পাঙথোকখিবনি। তাঙ্কক অনীমক্কী মীখলদা থোকহন্নীংদবা থৌদোক খরা থোকখিবদগী পাঙথোকফম থোকপা রি-পোল ফাওবা পাঙথোকখ্রে। মপূং ফানা পাঙথোকখ্রবনিনা মার্চ ১০, ২০২২দা ভোট মশীং থিখ্রে, রিজল্ট লাউথোকখ্রে। অপূনবা সিট ৬০গী মনুংদা সিট ৩২ ফংখিবা বি জে পিনা লুচিংবা অনীশুবা অমসুং অনৌবা লৈঙাক্কী ৱাশক লৌখ্রে। চীফ মিনিষ্টর অমসুং ৱাশক লৌখিবা মিনিষ্টর ৫গা পূন্না ৬না পুগদবা পোর্টফোলিওশিং ফাওবা য়েন্থোকখ্রে। পাঙথোকখ্রিবা মীখলদুদা মীয়াম্না পীরকপা থাজবা মাঙহল্লোই হায়দুনা অনৌবা লৈঙাক্না অহানবা নুমিৎ ১০০নিগী মনুংদা থবক ১০০ পাঙথোক্কনি হায়নসু লাউথোকখ্রে। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মার্চ ২১, ২০২২দা ৱাশক লৌখিবা অনৌবা লৈঙাকসিগী লম্বী শৃট নাল্লি। খোঙলৌ পলহৌবা থৌদোক থোক্ত্রি। মতুংদতা নত্তনা লৈঙাকসিগী চহী ৫গী টর্ম মমাঙগী ১১শুবা এসেমব্লিদা লিংখিবা লৈঙাক্কুম্না পোলোই ফাওবা লেংদনা চৎখিবা অদুম্মাইনা চৎখিবা ওইরসনু। মরমদি মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংগী থবক তৌগদৌরিবা মীয়াম্না থাগৎচরকপা মখোয়গী মীহুৎশিংগী ইমুংদা ঙাইহাক লৈতনা চিন্দা-পৌদানদুনা লৈরগা, মহি লাংলগা মীয়ামগী থবক তৌবদা লিংজেল মান্নরক্তে, মঙম শান্দে। মীয়ামগী ৱায়েল চুপ্লি খূৎপায়নবগী ফন্নিবা ৱাংলবা চৌক্রিগী মখোঙ থোক-থোক নোম্লক্লবদি মদুদগী ওন্থদনবা খুকউ শেল্লিঙৈদা মীয়ামগী থবক্তা থরেক্নরকপগী থৌদোকশিং মমাঙগী মতম লোইশিনখিবদা ঙাইরিবা অরিবা লৈঙাক্তা থোকখি, মীয়াম্না শঙ-শঙ উনখি। কনাগী কাম্খদা কদোমদগী লাকপা লিন কয়াম চঙলক্তুনা কুন্দুনা লৈখিবগে? মতৌ করম্না ঈরাৎ-থৌনি তৌদুনা চবান থাদোকখিবগে হায়বা ফাউবা য়াওনা লোইনা খঙনখি।

মসিনা মসি ওইখ্রসনু। হৌখিবা ঙা চাওই হায়বদুনি, হৌজখ্রসনু। অদুবু হৌজিক লাক্লিবা ৱাফমদি মার্চ ২১, ২০২২দা ৱাশক লৌদুনা লিংখিবা অনৌবা লৈঙাকসিগী মিনিষ্ট্রিদা য়াওরিবশিংগী পোর্টফোলিওশিং ফাওবা য়েন্থোকপা লোইখ্রবা মতুং ফাওবদা ৱাৎহৌরিবা মিনিষ্টরশিং হাপচিন্দুনা মিনিষ্ট্রি এক্সপান্সন তৌদ্রিবা করিগীনো? নুমিৎ অসুক য়াম্না হৌজিল্লক্লবা ফাওবদা হাপচিনফম থোকপা, হাঙদুনা লৈরিবা মিনিষ্টরশিংগী অহাঙবা মেনশিন্দুনা হাপচিল্লক্তবনা মসিবু এক্সপান্সন তৌবা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ঙমদ্রি হায়বদা হেঞ্জিনবা ৱাফম ওইগদ্রা? ওইগদবা মান্দে, কোন্না ঙম্লকপদি য়াই, ঙম্লকপসু ওইসনু, হৌজিক ফাওবগীদি ঙমদ্রি হায়বনি। ঙমদববু ঙমদ্রি হায়বগী ৱানি। মসি ওইরগদি কৈদৌঙৈগদি ঙমগদৌরি? হৌজিক ফাওবদা ঙমদ্রিবগী মরম্না করিনো? করিগীনো হায়বনি। অনৌবা লৈঙাকসিনা ট্রান্সপরেন্সি লৈরবা অমসুং সিটিজেন সেন্ট্রিক লৈঙাক অমা ওইরি হায়রগদি হৌজিক ফাওবদা মিনিষ্ট্রি এক্সপান্সন তৌদুনা হাপচিনফম থোকপা মিনিষ্টর মশীং শুনা হাপচিন্দবগী মরমসু মীয়ামদা হোত্রোং হোনা খঙহনফম থোক্তব্রা? লৈঙাক অমসুং মীয়ামগী মরক্তা মনুং-মপান নাইদনা শিৎ-নান্না উন্নফম থোকই হায়বনি। অদুবু হৌজিক ফাওবদা এক্সপান্সন তৌরক্তবা অসিগী মরম শোয়দনা লৈগনি, লৈফম থোকই। মসিগী মরমশিংগী মনুংদা বি জে পিগী পুমশেং-কোন্সেংদা ৩২ কাজদুনা লৈবগী মথক্তা এন পি এফকী ৫না শৌগৎলক্লগা ৩৭ শুদুনা পূক্নিং লূম্বা মশীং ফাওবা য়ৌরক্লবসু অকেমফাদা এন পি পি, জে দি (য়ু), কে পি এ অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ ৩গী মনুংদা অনীনা শৌগৎশিল্লকপদগী এক্সপান্সনগী থবক্তা খুনু মখোঙ শন্নৌবা ওইনা থোকহল্লব্রা হায়বগী ৱাফমসু চোঙথোরকই। অদুবু বি জে পি লেজিসলেচর পার্টিগী লিদর খনবদগী হৌরক্লগা লৈঙাক ৱাশক লৌবা এম এল এ ৫ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌবা অমসুং মখোয়গী পোর্টফোলিওশিং য়োন্থোরকপা ফাওবদা বি জে পি নেসনল লিদরশিংগী খূৎফম উনা মমি তাবনা ৱাৎহৌরিবা মিনিষ্টরশিং হাপচিনবগী থবকসিসু মণিপুর প্রদেশ বি জে পি অমসুং পার্টিসিগী চীফ মিনিষ্টরনা অনীংবা-অপাম্বগী মতুংইন্না তৌরক্লোই হায়ববুদি খঙই। অদুবু করিগী তৌদবনো হায়বনি। থবক ১০০ নুমিৎ ১০০গী মনুংদা পান্দম থন্লিবদি মিনিষ্টর শুরগদি খোঙহাই চারোইদ্রা হায়বনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৯

১) অঙাংশিংগীদমক্তা ৱারী-শৈরেং মখলদা ইবা **“মেলাদা উৎখিদ্রবা সনারৈ”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

২) **“মণিপুরগী চীংনুং মানুং, পাৎ লৌবুক অমসুং চম্না লেঞ্জবা পুন্সিগী অমম অঙানগী মচু পূম্নমক মহাক্কী খূৎইদা ফোঙদোক্লবা লাক্লরি। ৱাহৈ লীক্লা শীজিন্নদুনা খজিক্তুনা য়াম্না ফোঙদোক্লবা হোৎনদুনা মতাং অসিদা বিশ্বকবি রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী ৱারীমচাশিং নীংশিংহল্লি।”** শক্লাইরবা ক্রিটিক এলাংবম নীলকান্তনা মণিপুরগী শক্লাইরবা ৱারীমচাগী অইবা অমগী ৱারীমচাশিংগী মরমদা হায়রম্বনি। ৱারীমচাগী অইবা অসি কনানো?

৩) ***“ঐগী থৱায় কিশিন্দুনা পায়রি নঙনা/নঙগী খুবাম্নুংদা, হে অশিবা!/মঙক্তা থৌরী থুরবা চৎনীংবা মফমদা চৎপা ফংদ্রবা/থৌরীগী মচিন অমনা মহাক্কী খূত্তা পায়রিবা/তাউবা হূই অসিগা মান্নে ঐগা। ঐগীনি হায়ববু/ঐনা কন্থোক্লিবা অহাঙবা অসিখক্তনি।”*** শক্লাইরবা কবি অমগী শৈরেং মতেকনি। কবি অসি কনানো মহাক্কী করি লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

৪) রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী **“গীতাঞ্জলি”** অসি মণিপুরীদা মী কয়ামুক্না হন্দোকখ্রে। অহানবা খূৎনম ওইনা মণিপুরীদা হন্দোক্তুনা ওক্টোবর ১৯৯৮দা ফোঙখিবা **“গীতাঞ্জলি”** অসি কনানা হন্দোকপনো?

৫) ***“মণিপুরী লোক সাহিত্য (মৈতৈ খুন্নাইরোল ফুঙ্গা ৱারী)”*** অহানবা শরুক, হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# থেংলপ কারগা ঙল্লপ হন্নবা ওফিসতা, অয়ূক্কী পুং ৯

হেক্তা হায়নীংলকই - ৬৯৭

**জিতেন নামৈরাকপম**

লমদম অসিদা নত্তনা মালেম পূম্বনা খ্বাইদগী হেন্না কিনরম্বা লায়না কোভিদ-১৯ হৌজিক্তি কনানসু থওইনদবগুম তৌনরক্লে। লায়না অসি মণিপুরদা কয়া য়াম্না কিনরম্বগে হায়বদা মীতোপ চঙলক্তনবা লম্বী সরক ফাওবা শম্বল খাজিন্নদুনা থম্বফাও য়াওনখি। লায়না অসিনা নারবা য়ূম য়াওরক্লগদি কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাউথোক্তুনা য়াম্না কি-হঙ্গোইনা, তোঙান ইন্থোকপীবগী মওংসু লৈকায় লৈকায়দা তৌনরম্মী। মরমদি লায়না অসি অমগা অমগা য়াম্না থুনা লৌনগনবা, শন্দোকপা থুবননি হায়বা য়াই। মতম অদুদা অকায়বা পীবা, ৱাহল্লিবসি মীপূম খুদিংমক্তনি। খুদোংথীবদগী ঙাকথোক্লবা পান্দমদা লৈঙাক্না লোকদাউন তৌদুনা য়ূমদগী মপান থোরক্তনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি। অসিদসু নত্তনা মীয়ামগীদমক কখে-াক্লবশিংনা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিং হাংদোক্তুনা অনাবশিংবু মতেং পাংবীখি।

লায়না অদুদা ৱাহল্লিবসি মীপূম খুদিংমক্তা, হীরম খুদিংমক্তা ওইরগসু হেন্না খুদোংচাদবা মায়োক্নরিবদি স্কুল, কোলেজ কাজরিবা মহৈ তমখৎলক্লিবা মহৈরোয়শিংদনি হায়বা য়াই। কুমজা ২০১৯গী অরোইবা থাশিংদগী চাইনাগী মফম অমদগী হৌরকখিবা লায়না অসিনা ইন্দিয়াদা লানশিল্লকপদা মতম কুইনা চঙখিদে। ঙারি চাবা, শোইবুম চাবনা মণিপুরদা প্লেগ লায়না লানশিল্লকপা ঙমখিদবগুম কোভিদ চঙলকপা ঙল্লোই হায়নখিবদু চুমখিদ্রে। লায়না অসিনা ঙসি ফাওবদা শিহনখিবা মীশিং লিশীং অনীগী মথক লানখ্রে। তৌবতবু অনাবগী মশীং নোংম-নোংমগী হন্থরকপনা মরম ওইরগা কনানসু থওই ৱাওই তৌনরক্ত্রে। মাস্ক উপ্পা কাউথোক্লরে। কদায়দগী সোসল নৎত্রগা ফিজিকেল দিষ্টেন্স থম্বা, য়াওশঙ কুম্মৈদা পুনখিবা মীয়াম, থাবল চোঙবা, লীলা-ফালা, ঈশৈ মীয়াম্না উবিরম্লগনি। মীগী সমুদ্রনি। মরকসিদা মীপাইনীংঙাই ওইরিব্রা-ওইদ্রিব্রা য়ু কেদা ওমিক্রোনগী অনৌবা ভেরিএন্ট অমমুক থেংনরে হায়রি। কোভিদ লায়না অসিদি ঐচ আই ভিগুম্বা জাৎনি, মূখৎপা শুকঙম ঙম্লরোইদবা। ঐখোয়গী ইরক্তা নৈশিন্দুনা অদুম নারগদবা লায়নানি। তৌবতবু ঐখোয় চেকশিন্দবদি য়াদে। ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী চেকশিন ৱা ঙাক্তুনা চৎপা তাবনি।

কোভিদ নেমথখ্রবা মরক অসিদা খ্বাইদগী নুংঙাইরবা পাউ অমা হায়বা তারগদি অঙাংশিং, মহৈরোয়শিং স্কুল কাবা হৌনরকপা অসিনি হায়বা তাই। স্কুল কাবা ফংদনা চহী ২ রোম হায়বদি কুমজা ২০২০, ২০২১দা তৌফম খঙদনা মোবাইল ফোন মেৎ মেৎতুনা শান্নরম্বা অদুদগী অহোংবা খরদি লাক্লে। হায়র ষ্টদিজগী ওইনদি ওনলাইন ক্লাসকী মহাউ খরখজিক ফংনখ্রগসু লৱার ক্লাস ষ্টুদেন্টশিংগী ওইনদি মদুগা পুরা তাইওন্নবীনি। মেন মান তাবজাৎ নত্তে। পরিক্ষা হায়গেরা, টেষ্ট হায়গেরা মমা-মপা মথক থোংবশিংনা থাবিবগী ৱানি। ফিজিকেল্লি টেষ্ট তৌখিবা অমত্তা নত্তে। কয়াদি নুংঙাইরে। কোভিদ লায়নাবু নুংশিনা, লুনা খঞ্জখিবা মহৈরোয় য়াম্না লৈখি। মেত্রিক পরিক্ষা, টেন প্লস টু পাক্তনা পাস তৌহনখ্রেদনা। কয়াদি হরাওরে, কয়াদি নুংঙাইরে মপুন্সিদা পাস শুংতৌ তৌবা ঙল্লরোই খঞ্জবা মহৈরোয়শিংদি কোভিদ অসি ঈশ্বরনা পীরকপা বর অমা ওইনা খন্নবা য়াওখি। হন্দক্কী মতাং অসিদদি অমুক্তং য়েংবীয়ু। হৌজিক চাংয়েং চত্থরিবা টেন অমদি এপ্রিল ৭তগী হৌগদৌরিবা সেকেন্দরিগী পরিক্ষাশিং থাবা মতমদা অঙাংশিং তোরা তুনা ফেল ওইরকপা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈজে। মখোয়গীদমক খল্লুবদা য়াম্না নুংঙাইজদে। মরমদি লাইরিকসু ইতম তমদনা সিলেবস কভর তৌবসু ঙমখিদনা মার্ক ৮০/১০০গী সবজেক্ট খুদিংমক্কী চাংয়েং পাঙথোকপা হায়বসি তরাই তরাইবদি ওইররোই। নোংমৈ কাপ্পদি তম্বীদনা বুলস আইদা পালহল্লু হায়বগুম্বনি। পূম্নমক অসিগী খনবীরগা একজাম কন্দক্ট তৌবিরিবা মরী লৈনবশিংনা চাংয়েং মায়োক্নরিবা মহৈরোয়শিংগী খনবীরগা করি করিনো খরদি তৌফম থোকপ্রা খঞ্জে।

অমরোমদা অমুক অঙাংশিং স্কুল কাবা হৌনরকপা অসিদা নাকল অমরোমদা ফৈনা হরাওবসু য়াওনরি। মদুদি অঙাংশিং লাইরিক তম্ববু ওইরবসু তম্বীদববু ওইরো খরা কুইনা ফাজিন্দুনা থম্বীয়ু, য়ূমদা ফ্রী থাদোকপদা অঙাংশিং তৌফম খঙদ্রে। ঙাওদুনা চৎকদৌরে অসিনি। অয়ূক্কী পুং ৮দগী স্কুলদা মহৈ তম্বীবা হৌনবা লৈঙাক্লা য়াথং লাউথোকখিবা লৈবনা য়ূমগী মীওই অয়াম্বা য়াহৌ ঙনখৎনরিবা অসিমদি থাগৎনীংঙাইনি। লুরিবনা অঙাংশিংবু থিন্থোক থিনজিন তৌবীরিবা ট্রান্সপোর্টর, ভেন দ্রাইভরশিংদনি হায়বা য়াই। মরমদি হান্নগী মতমদদি মতম মান্নদনা স্কুল হৌবনা মরম ওইরগা তোঙান তোঙানবা স্কুল ২/৩ ফাওবা থিন্দোক থিঞ্জিন, লৌথোক লৌশিন তৌবা য়ারম্মী। হৌজিক্তি মদু য়াররোই। অদুগীসু মথক্তা ছুটি থাবগী মতম মান্নদবনা মরম ওইরগা হঙ্গৎ হন্দা থিনবসু ঙল্লোইদবা মরম্না ছুটি ঙন্না থাবা মহৈরোয়শিংনা কুইনা ঙাইবগী ফীভমদা লাক্লি। অমরোমদা মমা মপানা অঙাং লৌবা চৎলগসু কয়া য়াম্না কুইনা লৌথোক লৌশিন ঙমগনি। হেনগৎলক্লিবা থাওগী মমলগা, অঙাং কৃক কৃক ইন্ননা হাপ্পা য়াদবগুমসু তৌ, থাগী ভেন তোংবগী অতোংমল য়ামদ্রবদা লুপা লিশীং ২/৩গী মথক্তা লৈরবা য়াই পানরি। মসিদা ৱাগদৌরিবসি কনানো। মায়কৈ খুদিংমক্তনি হায়বা য়াই। অমনা ভেন দ্রাইভরশিংগী রিপোর্ট মতুংইন্নদি ইনাকখুনবশিং অয়াম্বনা ভেন ভারা য়াম্না পীনীংদে, লায়রবশিংনবু চাং নাইনা পীরি হায়রি। চুম্বা চুমদবগী ৱাদি ইনাক খুনবা মচা মশু ভেন তোংহল্লিবশিংনা খন্থবিগদবা মঙায়রে।

য়াম্না হেন্না নুংঙাইরিবা ৱাফম অমনা ওফিস কাবা, কুম্বা অমদি ছুটি থাবগী মতম হন্দক্কী লৈঙাক্না লাউথোরকপা অসিনি। অতৈদি লায়বু লায়রি থাংজগা নোংমাইজিংগা হাপ্তা অমদা নুমিৎ নীনি ছুটি পীবদা হরাওবনা মতোন লোম্লবা কর্ম্মচারিশিং য়াওরি। হন্দক্কী লৈঙাকসিদি ওন্থোক্লা ফখ্রে। নুমিৎ ৩৬৫/৩৬৬নিসিদা থা অমদা য়ামদ্রবদা নুমিৎ ৮ ছুটিগী মথক্তা হরাও কুম্মৈ কয়া অমগা ওন্থোক্লা নুংঙাইজখ্রে খরা য়াম্না ছুটি থাবীয়ু অসিনি। সেন্ট্রেল সর্ভিস, মণিপুরগী সেক্রেটরিএটনচিংবদি মথৌ নিংথিনা মতম চানা পাঙথোকই হায়বা মীয়াম্না খঙনৈ। খরা হাইদোকখ্রগা লৈবা দিপার্টমেন্টশিংদি অয়াম্বনা বেরানি। কদাইদগী পুং ৯দগী থবক কাবা কাইয়ে পুং ১১দগী বারো ফাওবা কারক্তবনা অয়াম্বনি। পুরা পুরি ফাগিনি। ঐনা খঙদবদা লোইশঙ অমগী দাইরেক্টরদু অমুক্তংদি উন্নগে হায়না থা ৩/৪ কান কান্দুনা চৎপদু নোংমতা উন্নবা ফংদে। মাগী ওফিসতুবু কদাইদা কারিবনো খঙদে। মখা থাবশিংসু মঙাই কাশিংদা থন্লিবা টেবল চৌক্রি ইহাঙ হাঙনা লৈবা উই। কোয়থি থিরগা ফাইলসিমত্তংদি লোইশিনবীয়ু হায়রুবদা মচিন্না শেল পীয়ু অদুম্মক হায়রকপগী ৱানি। শেল নীল থবক নীলনি। ঐনা হংই নখোয়বু তোলোপকা ফংদ্রবজাৎলা? দিলিং ক্লার্কতুনা খুল্লকই, তামো তোলোপ ফংলিবসিনা য়ূমদগী ওফিস ফাও লাকপগী গাড়ী থাও করি করা মতম মাঙবা অদুগীনি। শেল পীয়ু হায়রিবসি থবক শুবগীনি। ফাইল প্রোসেস তৌবগী অৱামলনি, অসিনি। পুং ৯দা থবক কাবা কাইয়ে থাজবীয়ু। মৌ অনৌবীগী থবক্কুম্বনি। কুইররোই হান্নগী ফীভমদা হঞ্জিল্লক্কনি। ●

# ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ৬১

ৱাখল ইহুল

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

লমদমসিদা শান্তদাস/শান্তিদাস গোষাইনা মণিপুর থোনজিন্নবা হোৎনরকপা, অর্য়ান হিন্দুগী চৎনরোল পুশিন্নবা কন্না হোৎনরকপা মতাংদা ইপু খোংনাংথাবগী মখূৎতা মায়থীবা কয়া নংদুনা ইকায় ফিরুক খুমখিবগী থৌদোক্তি ময়েক লানা পুয়া পুদিন কয়াগী লাতমদা/চেমায়দা য়াওরি। মতমদুদা পাণ্ডবকী মচা ইবুংঙো অর্জুন (হৌজিক্তুদি অর্জুন কৌবা নহারোল কয়া অমা লৈরে) লাক্লগা ইপু খোংনাংথাবগা হৈশিংবা তান্নখিবগী ৱাফম অমত্তা লৈখিদে। নহারোলশিং হয়িচক্কী মতমগী মৈতৈ পুয়া ‘নুমিৎ কাপ্পা’ হায়বসিদা তাউহুইরেং অহনবা কৌবনা মতম অদুগী নুমিদাংগী লৈবাক্কী থৌপুরেল ওইনা পুরগা নুমিৎ সনা অতোম্বনা অয়ূক নুংথিলগী লৈবাক মপু নিংথৌ ওইনা - অয়ূক নুমিদাং খায়না শিন্ন-শিন্ননা লৈবাক ঙাক্তুনা পানবদা লৈবাক নিংথৌগী থৌপুবা মীনাই খ্বাই নোংজেংবম পিবানা ময়ূমদা কুমদুনা পোত্থাবা ফংলক্তবদগী শাওদুনা নিংথৌগী ময়াম্বা তাউহুইরেং অহনববু হাৎনবগীদমক থোংখোং কারল নিংথৌ শোকপাম্বগী চীংদা হৌবা ৱাবু মাগী মোমনু তালোয় হাউনু চাখানু থাদুনা নিহল্লুরবা মতুংদা লীরুং তেন শারগা খূৎথা অমুক্তা চপ চানা পালহন্নবা মখূৎ চুম্বা তম্লগা নিংথৌগী ময়াম্ববু তেন্না কাপ্তুনা হাৎলগা মীনাই ওইবগী থৌদাং খরা কোকপা ঙমখিবা মতমদসু মহাভারত্তা য়াওবা অর্জুন মতমদুগী মৈতৈ লৈবাকসিদা লাকখিদে। মসিগী মতুং কায়নথংদা লমদমসিদা মৈতিংঙু সামৈরাং (খৃ: ৫১৮-৫৬৮) না কংলপাকসিদা ৯শুবা নিংথৌ ওইনা পানখিবা মতমদা চোথে থাংৱাই ফুনাল তেলহৈবা হায়দনা তেন কাপ্পদা য়াম্না হৈশিংবা হাওকপ চীংগী খুল্লাকপা ফাওবা খৃ: কুমজা ১৭০৯-১৭৪৮গী আ মমাঙদা লৈরম্বনি। ওইথোকনীংঙাই অমদি শমজিন্নিংঙাই মরম শুক্লে লৈতনা হান্না ইখ্রবা মহাভারতপু শেমদোক শাদোক্তুনা নোর্থ ইষ্টসিদা অমুক নৌনা অর্জুন লাকহনবসিবু হৌগৎলক্লিবা অর্জুন হায়বা মমিংসি পামজবা নহারোলশিং ওইনা লৌফম থোক্লোইদ্রা?

৩) লমদমসিগী মমিং মমাঙথক্তা কৌনীং কৌনীংবা কৌরে হায়না লৌরসু লমদমসিগী লৈশেমঙৈদগী লৈরকপা/ওইরকপা- চীং, তম্পাক, পাৎ, তুরেল-মতমগী মতুংইন্না কুইশিল্লকপদগী অমদি তুংদা লাকপা মীরোলশিংগী লৈঙাকশিং মথং মথং লাকখিবদগী হান্নগী শক্তমদা খরা খরা অহোংবা লৈরবসু মপূং ওইনা য়েংবদা লৈরি হায়বা য়াই। খুদম, য়ূম অৱাংবা মথোল শাগৎনরকপা, লম্বী পাকথোক চাওথোকপা, চীং-মান্দা য়ূম য়াম্না তাশিন্নরকপা, পাৎ ওইনা লৈরম্বশিং ফুমদিশিংনা থাজিল্লকপদগী ফুনজিল্লকপগী মথক্তা মীশিং য়ামখৎলকপদগী মীগী খূৎশেমনা হোংহল্লকপা খরসি পনবা য়াই। হৌজিক্তা নুংঙাইরক্লিবদি অর্য়ান হিন্দু মতমগী ইপিক মহাভারতকী মতাংদা খূৎশেমগী অমমুক ওইবা ৱারী লমদমসিদা পুশিন্নীংলমখিবা - মশা লৈখিদবা কয়া অমা য়াওখ্রবা, হিংলিবা খরসু লৈরম্বদি য়াবশিংদগী, মতমদুদা মখোয়শিংদুনা য়াম্না চাওবা থৌদাং লৌখিবা - খুদম ওইনা শেমজিন শাজিনবা ৱারী/পুরান কয়া ওজা কাংজিয়ানা খূৎ থিন্দুনা তাকখ্রবা, ব্রহ্মাসভা অমদি মণিপুর সাহিত্য পরিষদগুম্বদগী - খঙনীংলিবা/তানীংলিবা পাউ-খুমশিংগী ৱাহংশিং মখাদা থমজরি।

পাউখুম ঙাইরিবা/পাল্লিবা ৱাহংশিং -

i) মহাভারত্তা য়াওবা অর্জুনগী য়েক (হিন্দুশিংনা গোত্রনা মহুৎ শিন্নবা হৌজিক ফাওবা হোৎনরিবা) করিগীনো? লমদমসিগী মচাশিংদি য়েক ৭কী মচানি। হৌজিক ফাওবা চৎনরি।

ii) অর্জুননা লুহোংদুনা লৌই হায়রিবী চিত্রাঙ্গদা হায়বিদুগী লৈকায় করি লমদা লৈ, লৈকায় মমিংনা করি কৌই? (লমদমসিদদি লৈকায়/খুনগী মমিংশিং লৈনবনা মী অমা মশক তাকপদা লৈকায়/খুন য়াওনা শীজিন্নে।

iii) চিত্রাঙ্গদা মপামগী য়েক করিনো? (মথক্কী অহানবদা য়াওখিবদুনি)।

iv) চিত্রাঙ্গদগী মতমদুদা খঙন-চানখিবী লমদমদুগী মতারোই তোঙান তোঙানবা লৈকায়/খুনশিংদা লৈবী য়ামদ্রবদা অহুমদংগী মমিং হায়বীয়ু? মখোয় করি লৈকায়শিং/খুনশিংদগীনো? (অনীশুবদা য়াওখিবা মরমদুগীদমক্তনি)।

v) চিত্রাঙ্গদা অমদি মতারোই অহুমগীগা পূন্না মখোয়গী ময়ূমশিং/ইঙ্খোলশিং লমদমসিদা লৈরম্মী হায়বগী খুদম করিনা ওইগনি? লমদমসিগী ওইনা চৎনরকপদা য়ূমদাফম/খুন্থোকফম/নিংথৌশিংনা কোনুং শেমদুনা লৈরম্বা মফমশিংগী মমিংশিং লৈ।

vi) অর্জুনদি অর্য়ান হিন্দু ওইবনা মহাভারত ইবদা শীজিন্নবা লোল সংস্কৃত ঙাঙলম্বা য়াবদা, লমদমসিগী ওইনা ইমালোলদি মৈতৈ/মীতৈ অরিবগী লোল ওইবনা, চিত্রাঙ্গদাগী মমালোল করি ওইদুনা, অর্জুন অমদি চিত্রাঙ্গদা মবান্নি করম্না পাউ ফাওনদুনা লুহোংখিবগী খুদম করিনা ওইগনি? খুদম, কাঙলূপ/ফুরুপ মান্নদবা শা/উচেক ৱা ঙাঙবা হৈতবনা খোংবগী খোন্থোক মান্নদে। ষণগা-শগোলগা/শগোলগা-ইরোইগা; শেন্দ্রাংগা-চোংঙাগা/চোংঙাগা-খুনুগা - য়ূম্বান মরী থম্নদে। কাঙলূপ/ফুরুপ মান্নদবা মীওইশিং লোল মান্নদে অদুবু য়ূম্বান মরী থম্নে - ফাওনলোন অমা লৈতনদি লুহোংবা তৌনদে হায়বদা লাল্লোই। মরম অসি লৈবননি।

vii) লমদমসিদা কাংবা নিংথৌগী হাক্তক্তগীনা নিংথৌ বুধচন্দ্র ফাওবগী হাক্তক্তা - মচানুপী মতোমতা পোক্লগা পিবা (মচানুপা) অমত্তা পোক্তবা করম্বা নিংথৌ/মৈতিংঙু পানখি? মমিং করি কৌদুনা লমদমসিগী করম্বা মফমদা নিংথৌ ওইদুনা চহী কয়াম পুন্সিখিবগে?

লমদমসিগী হয়িচক্তগী হৌনা পিবা-লৈমা লৌন-লৈনবগী মতাংদদি লমদমসিদা হৌরক্লোন্দগী খুন্তা লৈতাদুনা লৈরকপা-লৈরকপী চীংমী-তম্মী খায়দনা লৌন-লৈনরকপা নত্তনা লমলানবা মীতোপকদি লৌন-লৈনরক্তে হায়বসি পুৱারীনা ময়েক শেংনা তাকই। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।